# গর্ভ পুরবী ওক য়োকপগী চেকশিন থৌরাং

**- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -**

মচা লৌখ্রবা মতুংদগী গর্ভ পুবগী মতমসি চাংচত্তা নুমিৎ ১১৪নি হায়না লৌনৈ। মসি অরাইবা মওংদা নুমিৎ মশীং কাউখিবা তারগসু থা ৩, হাপ্তা ৩, নুমিৎ হুমনি হায়না পাবসু য়াই। গর্ভ পুরবী ওকশিং মশা শেন্নবগী মথক্তা গর্ভ মনুংদা য়াওরিবা মচাশিংগীসু শেমগৎ শাগৎপগী ন্যুত্রিয়েন্টশিং মথৌ তাই। মসিগীসু মথক্তা কাঙলোন চুন্না মচা পোক্লবা, মখোম মপুং ফানা থোক্লবা অমসুং মচাশিংগা খাইনবা মতুংদা মতম চানা হিট লাক্লবা গর্ভ পুরিঙৈদা মচি ওইবা মচিঞ্জাক পীজহৌবা তঙাইফদে।

ওকশিংনা দরকার ওইবগী নুত্রিয়েন্টশিংগী চাংসি ওক্তুগী পিকপা চাউবা মতমদুগী অঙৈং অশাগী চাংগী মতুং ইন্না খেন্নৈ। ওক অমোমশিং গর্ভ পুনা পুনা চাগোক মরিরক ফাওবা চাউবা হেনগৎলি। নীংশিংবীগদবা অমনা ওক্লা গর্ভ পুরিঙৈদা কা হেন্না মচিঞ্জাক পীজবীরোইদবনি। কা হেন্না পীজরগদি নোয়মনখিদুনা লায়না কয়া লাকপা হৌরকই অমদি মচা পোক্লবা মতমদা ওক্লাওশিংদা পীথক্লিবা শঙ্গোমদু ফেটকী শরুক্লা ৱাংলগা প্রোটিনগী শরুক্লা নেস্মী। মচা পোকপা মতমদা নিংথিনা পোকপা ঙমহন্দে অমদি পোক্লবা তুংদা শঙ্গোম থোকপগী চাং য়াম্না নেস্মী।

গর্ভ পুরবা ওক্লা নোংমদা মফোনগী শরুকসি কেজি ২-২.৫গী চাংদা পীজবীগনি। হাতমশিংনা অহানবা গর্ভ পুবা হৌবদগী থা ১ ফাওবদি ইনর্জি হেন্না ফংহল্লবদি মবুক মনুংদা মচা শিবগী খুদোংথীনীংঙাই ওই। মরম অসিনা অসিগুম্বা মতমসিদা হন্থনা মচিঞ্জাক পীজবীগনি। চগুম-চনাই য়াল্লগা পীজবা ওকশিংদদি গর্ভ পুবা হৌরকপা থা অমরোম চগুম চনায়গী চাং হন্থহল্লগা চেঙকুপ অমদি মনা মশিংনা নমনা মবুক থলহন্নবা হোৎনবীরগদি মসিদা থুম, মিনরেল, ভিটামিন মতিক চানা হাপ্পীগনি।

য়ুপংনা মচিঞ্জাক্কী মরুওইবা মচল ওইবা ওকশিংদা গর্ভ লৈখিবগা হান্না পীজরম্বা য়ুপঙগী চাংদুগী তঙ্খায় হন্থহল্লগা চেঙকুপ/চুজাক, ঙাকুপনচিংবগা খরা নম্না পীজবীগনি। মসিগী মথক্তা থুম, ভিটামিন, মিনরেল সপ্লিমেন্ট হাপ্পীগনি। নীংশিংবীগদবা অমনা য়ুপঙখক্তা মচিঞ্জাক ওইনা পীজরগদি মচা পোক্লগা শিবগী চাং ৱাংনা লৈ, মখোম নিংথিনা থোকপা ৱাৎলি, মচা শিনা পোকপসু য়াওরকই। উসব, মেলাগী চাকচা হৈজানবগী নৎত্রগা হোটেলগী থাওরেক্কা কোন্ননা হৱাই, চেঙৱায় অমদি শা-ঙা কয়াগী অরেম-অপা অমসুং চগুম চনায়শিং মরাং কায়না ফংই হায়দুনা বাগোস থন্না হৈজিন্দুনা পীজবীরোইদবনি। মসিদগী চাবা তুমদবা অমদি হু ওইরকপদগী লায়হৌগা লোয়ননা লায়না কয়া লাকপা য়াওরকই।

গর্ভ পুরিবা ওক্কী মচিঞ্জাক্তা শোইবুম, ৱাইখু, শগোল হৱাই, য়াম্না শিনবা অমদি অখাবা হৈ-রা, মনা-মশিং হাপ্পীরোইদবনি। মসিনা হেঞ্জিল্লবদি মচা কায়বগী চাং য়াম্না ৱাংহল্লি অমদি মখোম থোক্তবগী লায়না কয়া অমসু লাক্লি। ওক্কী মচিঞ্জাক্তা গর্ভ লৈরিঙৈদা কা হেন্না পীজবীরগদি মচা হেক পোকপগা মখোম থোক্তবগী লায়না কয়া অমা লাকই। লায়েংলবসু মখোম নিংথিনা থোক্তবা নৎত্রগা ফত্তবা মখোম থোকপদগী মচাশিং শিগল্লি নৎত্রগা চাউজন থিল্লি অমদি খোমথী ফাইগল্লি। মসিদসু নত্তনা লম পাঙখোক্লচিংবা অরেংবা পান্থীশিং দানা ফুৎপদা হাপ্পুনা গর্ভ নৌনা পুরিবা মতমদা পীজবীরোইদবনি। মসিনা হু চেন্দুনা মচা কায়বা ফাওবা য়াই। করিগুম্বা মতমদসু মচা পোক্লবা মতুংদা মখোম থোক্তবা য়াওই।

গর্ভ পুরবা মতুং নুমিৎ ১১১/১১২ শুরকপদদি মচিঞ্জাক হেন্না পীজবীরোইদবনি। হেন্না পীজরম্বা অদুদগী হন্থনা পীজবীগনি অমদি মচিঞ্জাক্তা চিনি অঙাংবা খরা হাপ্লগা পীজবীগনি।

গর্ভ পুরিবী ওকশিংনা লৈরিবা ওকোনশিং লূ-নান্না থম্বীগনি। গর্ভ পুরিবী ওক্লা থা অনীগী মতুংদগীদি তোঙান্না থম্বীগনি। মতমসিদা পীজবদা চেকশিনবদা নত্তনা মকোন মনুংগী অঙৈং অশাগী চাংসু য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই। য়াম্না হেঞ্জিন্না শাবা নৎত্রগা ঈংবা-শাবা মতম শাংনা থম্বদগী মচা শিনা পোকপা নৎত্রগা মখোম থোক্তবনচিংবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লি। মরম অসিনা য়াম্না শারকপা মতমদা ওক্তুগী মশাদা ঈশিং চাইবীবা নৎত্রগা লৈওনফম কোমদা লৈওনহনবা অদুগা য়াম্না ঈংবা মতমদনা ওক্কী মশাদু শাগৎনবা হোৎনবদা লৈমায়দা চরূনচিংবা চাইথোকপীগনি।

নুংশা শাগৎলকপগা চরূদু লৌথোকপীদুনা মকোন মনুংদু লূ-নান্না থম্নবা হোৎনবীগনি। গর্ভ পুরবা ওক খুদিংমক মকোন মনুংদা লেঙদনা লৈহনবগী মহুত্তা অহাঙবা লমহাংদা থাদোক্তুনা শজিক চাহনবা ওইনা শাজেল পীরবদি কান্নবা হেন্না ফংই। অদুবু মসিগীদমক নোংজু নুংশা য়েংলগা থাদোকপীগনি।

গর্ভ পুরবী ওক অমোমশিংদা তাথী-তাওইনা তৌবীরোইদবনি। ফূবা অমদি তান্নবনচিংবা তৌবীরোইদবনি। গর্ভ মপূং ফারকপদা চোং ফনবা অমদি নাস্থুবনচিংবা তৌদনবা হোৎনবীগনি। গর্ভ মপূং ফারক্লবী ওক অমোমশিং অরাপ্পা মফম অমদগী অমদা পুথোক পুশিন তৌবীরোইদবনি। মসিদগী মচা শিনা পোকপা অমদি মচা পোকপদা খুদোংথীবা থোকহল্লি।

গর্ভ পুরিঙৈ মতমদা টিকা খক থাবীরোইদবনি। তীল হীদাকসু পোক্কদবা নুমিৎ ১০নি ৱাৎলিঙৈদা অখঙ অহৈশিংগা তানবীরগা থাদোকপীগনি।

ঐখোয়না নীংথিনা গর্ভ পুরবী ওক্তা পীজ-পীথক তৌবীবগা লোয়ননা নীংথিনা লূ-নান্না মকোন্দা থম্বীদুনা মশা-মউ ফবা মচাশিং পোক্লবগী পান্দম থম্বীগনি। ●

# মালেমগী ওইবা ফিসরিজগী নুমিৎ

**— ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ —**

মালেমগী ওইবা ফিসরিজগী নুমিৎ অসি চহী খুদিংগী ওইনা নবেম্বরগী তারিখ ২১দা মালেম শিনবা থুংনা পাঙথোকই। হায়রিবা থৌরম অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি সমুদ্রগী ঈশিং অমদি অকোয়বগী ফীভমবু ফহনবা অমদি মালেম অসিদা লৈরিবা ঈশিংশিংবু ফহন্দুনা ঙাদা অকাইবা পীদবা অমদি তুং কোইনা ঙাগী মশীং হন্থহন্দবা অসিনচিংবনি। থৌরম অসিদা মালেম পূম্বগী ওইনা ঙামীশিং অমদি ঙাগা মরী লৈনবা থবক তৌরিবা মীওইশিংবু পূক্নিং থৌগৎলি। হায়রিবা থৌরম অসি কুমজা ১৯৯৭তা ৱর্ল্ড ফিসরিজ ফোরম হায়বা লৈবাক ১৮দগী মীহুৎ য়াওবা ফোরম অসিনা য়ানচে অমা ইদুনা মালেম পূম্বদা লৈরিবা ঈশিংশিং অসিগী খল কায়হন্দবা অমদি তুং কোইনা অকায়বা লৈহন্দনবা পান্দম অমদা হৌদোকখিবনি।

তৌইগুম্বসুং অহানবা ওইনা ৱর্ল্ড ফিসরিজ দে অসি কুমজা ১৯১৯গী নবেম্বর তারিখ ২১দগী পাঙথোকপা হৌখি অমদি ময়াম্না থৌওইবীদবা শরুক অমা ওইদুনা লৈরক্লিবা ফিসরিজগী শরুক অসিগী মরু ওইবা অমদি মসিনা ঐখোয় মীওইবদা পীরিবা কান্নবশিংবু খঙহনবা অমদি ঙাগা মরী লৈননা থব কতৌরিবা মীওইশিংবু পূক্নিং থৌগৎপীদুনা তুং কোইনা অকায়বা পীদবা মওংদা ঙা ফাগদবনি হায়বগী লৌশিং কয়াসু পীরি।

ঙা ফাবা হায়বসি ঙসিদগী চহী ৪০,০০০ রোমগী মাঙদগী হৌরকখি অমদি মীওইবগী মরু ওইবা চিঞ্জাক ওইদুনা লাক্লি। তৌইগুম্বসুং মালেমদা লৈরিবা ঈশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অনীদি মফমশিং অদুদগী ফাবা য়াবা ঙাদগী কা হেন্না ফাখিবনা মরম ওইদুনা খুদোংচাদবা কয়া থেংনরি।




মালেমগী ওইবা ফিসরিজগী নুমিৎ অসি মালেম পূম্বদা লৈরিবা ঙামীশিং অমদি ঙাগা মরী লৈনবা থবক তৌবা মীওইশিংনা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া শিন্দুনা পাঙথোক্লি। মরু ওইনা দ্রামা, সেমিনার, ৱার্কশোপ, ঈশৈ অমদি রেল্লি চৎতুনা মীওই কয়াবু ফিসরিগী মরু ওইবা অমদি মসিবু তুং কোইনা পাঙথোকপদা অকায়বা থোক্তনবা হীরমশিংদা খঙহল্লি।

ইন্দিয়াগী ওইনা অমদি মণিপুরগী ওইনা ফিসরিজগা মরী লৈনবা লোয়শঙ কয়ানা শীন দুনা মালেমগী ওইবা ফিসরিজগী নুমিৎ অসি পাঙথোক্তুনা মীওই কয়াবু ৱাখল তাহনবতা নত্তনা ঙামী অমদি ঙাগা মরী লৈনবা থবক তৌবা মীওই কয়াবুসু পূক্নিং থৌগৎলি। মণিপুরদা লৈরিবা ঙামীশিং অমদি ঙাগা মরী লৈনবা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা ৱাখল তামিন্নরগা তুং কোইনা অকায়বা পীরোইদবা থৌওং কয়া শীজিন্নদুনা অকোয়বগী ফীভম ফগৎহনবদা নত্তনা অফবা নুংঙাইবা খুন্নাই অমা পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নরসি। মসিদসু নত্তনা জাতিগী ওইবা ঙামীশিংগী নুমিৎ হায়বদি নেসনল ফিশ ফার্মরস দে হায়বা থৌরম অমসু লৈরি। হায়রিবা থৌরম অসিনা চহী খুদিংগী জুলাইগী তারিখ ১০দা ইন্দিয়া শিন থুংনা পাঙথোক্লি। হায়রিবা নুমিৎ অসিসু ঙামীশিংবু পূক্নিং থৌগৎপীবা অমদি ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা লৈরিবা ঈশিং অমদি ঙাশিংগী কান্নবা/মরু ওইবা কয়াবু মীয়ামদা খঙহল্লি। ●

# লৌফমগী লৈহাও শেম্বদা চরু শীজিন্নবা

**— ডা. ৱাইখোম জিতেন —**

নোংমা নোংমগী লেপ্তুনা মীশিং হেনগৎলকপসিনা অচৌবা লম কনবা পোৎলমশিংগী থম্ফম লৈরক্তবসিগা ইরোয়ননা মমাঙঙৈদা য়ূমথোঙগী চরু ইকু থমদুনা চহীগী লৌফমদগী থোরক্লিবা চরুশিং লিদুনা থম্বগী চৎনবী লৈরম্বদু অয়াম্বনা মাঙখ্রে। ঙসিদি ফৌ লোকপা লোইখ্রগা অয়াম্বা লৌফমদা চরুশিং অসি পৈ পৈদুনা লৈনরে। অসিগুম্বা চরু মপৈশিং অসিনা লৌ খোইবা অমদি পোৎ চৈ থানবা হোৎনবদা য়েৎলি খন্দুনা অয়াম্বা চরুশিং মৈ থাদুনা মাঙহন্নরি। মসি ঐখোয় চরুদগী লৌবা য়াবা কান্নবশিং অদু মপূং ফানা খঙদবনা থোকহল্লিবনি। তশেংবদি মসি মহৌশা ইমানা ঐখোয়দা পীবা মমল য়াল্লবা খুদোল অমনি। তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা চরুবু শীজিন্নবা য়াবগুম ঐখোয়গী লৌফমগী লৈবাক লৈহাও শেম্বদসু চরু অসি শীজিন্নবিবা য়াই। অহল-লমন্না হায়নবা লৈ ফৌ ফত্তবা ফৈদোমদু ফুদিৎ ওইয়ু। লৌ য়ৈবগী তাহৌবা চরু চনাইশিংনা মরম ওইরগা ফত্তবা লৈবাক অদু অফবা লৈবাক ওইহনবা ঙমই হায়বসি মমাঙঙৈদগী খঙনদুনা লাক্লবা ৱাফম অমনি। অদুবু অসিগুম্বা কান্নখ্রবা চরুশিং অসিবু মৈ থাদোক্তুনা পান্থীগী মচিঞ্জাক ওইগদবা পোৎলম কয়া অমা মাঙহনবগা লোয়ননা অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎ মোৎশিলহল্লি অমদি লৈবাক লৈহাও ফনা থম্বদা মতেং পাংগদবা, হিংকুপশিংগী শৈদাংফম অমদি মচিঞ্জাক মাঙহল্লি।

ফৌনা লৌফমদগী লৌখৎলিবা অপূনবা মচিঞ্জাক্কী চাদা ২৫ নাইত্রোজেন অমসুং ফোসফরস ওইনা, চাদা ৫০না সলফর ওইনা অদুগা চাদা ৭৫না পোটাশ ওইনা চরুখোক, চরু অমদি ফৌহাম্নচিংবশিংদা য়াওদুনা লৈহৌই। চরুশিং অসি লৌফমদা অমুক হনজিবীরবদি/খোইজিনবীদুনা পথুহল্লবদি মখোয়দা য়াওরিবা কান্নরবা মচিঞ্জাকশিং মতুং তারকপদা থাগদবা পান্থীশিংদা ফংহন্দুনা খূৎশেমগী হার শীজিন্নবগী চাং হন্থহনবা য়াই অমদি লৌফম অদু হেন্না লৈহাও লৈবা মফম অমা ওইহল্লকপা ঙমহল্লি। লৈহাও লৈবা লৌফম অমা ওইনবগীদমক ঐখোয়গী লৌবুক্তা ঐখোয়দা কান্নবা পীবা ঙন্বা হিংকুপ ময়াম অমা লৈবা তাই। অসিগুম্বা হিংকুপশিং অসিনা চরু ৱাইরু অমদি ষন্থি ষণযুংগী পথু-পুমথরকপগী মচাকশিং অসিদা শৈদাংফম লৌদুনা হিংবা ওইবনা লৌফমদা চরু নৎত্রগা চরুগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং খোইজিনবনা হিংকুপশিংগী মশীং হেনগৎহল্লি।

মমাঙঙৈ মতমদা চরু অসি মপূং ওইনা য়ূম শানবগী অমদি শা-ষণ পীজনবগী মচাক ওইরম্মী। ঙসিদি মেছিন শীজিন্নদুনা লৌউ-শিংউবগী থবক থৌরম অয়াম্বা পায়খৎনরকপগা লোয়ননা য়ূম য়ূমদা শা-ষণ ইথম থম্নখিদবদগী লৌ য়ৈবা লোইরগা থোরক্লিবা চরু অয়াম্বা মৈ থাদুনা মাঙহন্নরি। ইন্দিয়াগী ওইনা পঞ্জাব মথন্তনা মখোয়দা থোক্লিবা অপূনবা চরুগী চাদা ৮১গুম্বা মৈ থাদোক্তুনা মসিদগী ফংবা য়াবা পান্থীগী মচিঞ্জাক মমল ওইনা পাবদা ক্রোর ২৩৩ হেন্না চহীগী মাঙহল্লি অমদি নুংশিৎ মোৎশিলহল্লি। পঞ্জাব অমদি হরয়ানাদা ফৌ লোকখ্রবা মতুং চরু মৈ থাবনা থংনবা দেল্লী ফাওবা নুংশিৎ মোৎশিলহল্লি।

লৌফমদা চরু খোইজিনবগী কান্নবশিং :-

১) ঈশিংদা চুমথদুনা মাঙখিগদবা লৌফমদা লৈবা নাইত্রোজেনশিং লৈবাক লৈরিকশিংনা ফাজিন্দুনা থম্বদা মতেং পাংই।

২) ঐখোয়দা কান্নবা পীবা অহিংবা জীবশিং (হিংকুপ) কয়াগী মশীং হেনগৎহন্দুনা পান্থীনা লৌশিনবা ঙমদনা লৈবাক্তা য়াওজরগা লৈরম্বা পান্থীগী মচিঞ্জাকশিং পান্থীনা লায়না লৌখৎপদসু মতেং পাংই।

৩) ওর্গানিক কার্বোন হায়রগা খঙনবা অহিংবা জীবশিংনা পথু-পুমথরগা ওইবা লৈবাক্কী মচল অসি চরুবু লৌফমদা খোইজিনবনা মখোয়গী চাং ৱাংখৎহন্দুনা পোখোক-চাথোক হেনগৎহনবদা অচৌবা মতেং পাংই।

৪) খূৎশেমগী হার য়াম্না শীজিন্নবনা মরম ওইরগা লৌফম অশিনবা নৎত্রগা অয়াকপা লৌফম ওইহল্লগা চাং হন্থহল্লি।

৫) লৌফমগী লৈবাকশিং ফ্রোং ফ্রোং লাওহন্দুনা পোৎ থাবদা হেন্না খুদোং চাহনবগা লোয়ননা পোখোক হেনগৎহনবদা মতেং পাংই।

৬) নোংগী ঈশিং থুনা চুপশিনহন্দুনা ঈশিং ঈচেলনা লৈবাক লৈহাও চামথোকখিগদবদগী কনবগা লোয়ননা লৌফমদা ঈনিল কুইনা ফাজিন্দুনা লৈহনবা ঙমদুনা মহৈ মরোং থাবদা ঈশিং তোয়না চনবগী খুদোং চাদবা অদুদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই।

চরুশিং অসিবু মৈ থাদুনা মাঙহনবগী মহুত্তা লৌফমদা চরুশিং অসিবু হনজিন্নবগী তোঙান তোঙানবা মওংশিং অসিদগী অপাম্বা অমা খনবীরগা লৌফমদা শোয়দনা হনজিনবীনবা হোৎনগদবনি। চরুবু কাঙলোন চুম্না শীজিন্নবগী মওং খরা :-

১) চরুশিং অসিবু শা-ষণদা পীজবীরগা মথি ময়ুংনা হার শেল্লগা লৌফমদা চাইবীবা।

২) চেঙ্গুম থানবগীদমক চরুশিং শীজিন্নবীরগা চেঙ্গুম লোকখ্রবা মতুংদা লেমহৌবা চরুশিং ভর্মিকম্পোষ্ট নৎত্রগা কম্পোষ্ট শেম্বীরগা লৌফমদা চাইবিবা।

৩) চরুবু থুনা পথুহনবা ঙম্বা অহিংবা জীবশিং শীজিন্নবীরগা চরুবু কম্পোষ্ট শেম্বীবা নৎত্রগা চরুবু ভর্মিকম্পোষ্ট শেম্বগী মচাক অমা ওইহনবীরগা লৌফমদা হনজিনবীবা।

৪) চরুবু তেন্না ককপীরগা য়েন, ঙানু, শা-ষণগী মকোনগী লৈমায়দা থাবীবা অমদি মথি ময়ুং য়াওরবা চরুশিং লৌফমদা চাইশিনবীদুনা হার ওইহনবা।

৫) চরুবু তেন্না ককপীরগা থারিবা মহৈ মরোংগী মখোঙদা চাইশিনবীদুনা নাপী হৌহন্দনবা অমদি ঈশিং ঈনিল কুইনা ফাজিন্দুনা থম্বদা মতেং পাংই।

৬) পূম্নমক অসি নৎত্রবসু খোইদোক্লবা লৌফমদা চরুশিং শাংনা শাংনা চাইশিন্দুনা থম্বীবা নৎত্রগা হান্না ককপীরগা লৌবুক্তা চাইশিনবীরগা লৌফম অদু খোইজিনবীবা

পঞ্জখ্রিবা মরমশিং অসি নিংথিজা নৈনবীরবা মতুংদা কান্নখ্রবা চরু অসিবু মৈ থাদুনা মাঙহনবগী মহুত্তা শীজিন্নবগী তোঙান তোঙানবা মওংশিং অসিদগী অমা খনবীরগা পায়খৎপীদুনা লৌফমগী লৈবাক লৈহাও ফনা থম্বদা মতোং পাংলসি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### মীতৈ/মৈতৈবু এস টিগী লিষ্টতা ...

*লামায় ১গী মখা...* অটসুমগী মায়কৈদগী চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা লৈবাক অসিগী লুচিংবশিং অদুগী মায়কৈদগীসু ইস্যু অসিদা মখোয়গী মায়কৈদগীসু মখা তানা কূপ্না য়েংশিনগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়খি। লোয়ননা অটসুমগী টিম অসিনা মখা তানা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুগসু উন্নদুনা ইস্যু অসিগী মতাংদা ৱারী শাননবসু হোৎনরকখি। অদুবু প্রসিদেন্টদি মশাগী অনাবা অমা লায়েংবগী মতম ওইরম্বনা হন্দক্কী খোঙচৎ অসিদদি উন্নবা ফংলকখিদ্রে হায়রি। অদুম ওইনমক তঙাইফদ্রবদি মখা তানা দেল্লীদা চৎতুনা প্রসিদেন্টগসু উনবগা লোয়ননা অটসুমগী মায়কৈদগী চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি মায় পাক্লবা চঙশিনখিগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুর অমসুং মপাং লূপশিংনা মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থাফম থোকপা রেকমেন্দেসনশিং অথুবা মতমদা থাগদবনি হায়দুনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংগী মখা তারকপদা ৱাবগাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ডা. উসম দেবেন ফাওবদা মণিপুরগী এম এল এ/মিনিষ্টর ১৮দা অইবা চেরোলশিং মথং মথং পীশিন্দুনা তকশিল্লগা লাক্লিবনি।

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা পাওনা কৈথেলদা লৈবা মীয়ামগী লূপ অমনদি মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়দুনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিগী মায়োক্তা লেপ্পল্লক্লিবা অটসুমগী মায়কৈদগী নুমিৎ ১০নিগী মতম পীরদুনা মখোয়গী ওইবা ফিরেপ খঙহল্লক্লবা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।

ৱাফম অসি পাউগী মীফম অমদা লূপ অসিগী লুচিংবশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবনি। অদুগা দিমান্দ অসিবু শৌগৎলক্লিবা ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল (দব্লিয়ু এম সী) গী প্রসিদেন্ট হৈগ্রুজম নবশ্যামনসু চিন-কুকি কাঙলূপকী মীওইশিংবু মণিপুরগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতগী লৌথোকপীনবা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর য়াওনা মরী লৈনবা লুচিংবশিংদা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনবা লৈখ্রবনি।

### হৱাইজার চারুবা ৮ ককচীং কম্যুটি...

*লামায় ১গী মখা...* মীওই অমনা য়ূম য়ূমদা চঙদুনা য়োল্লম্বনি হায়রি।

মমাঙথক্তসু মীওই অসিনা য়ূমথোঙ য়ৈনা চঙদুনা হৱাইজার য়োনবগী থবক তৌদুনা লাকখিবনি। অদুগা মঙোন্দগী লৈরুবা হৱাইজার চারুবদগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরকপদগী ককচীংগী কম্যুনিতি হেল্থ সেন্টরদা পুখৎলক্তুনা লায়কন্নরিবশিংনা ককচীং মোইরাংথেম লৈকায়দগী নাওরেম বিশ্বরজিৎ (৪৫) মহাক্কী লোয়নবী বিজয়া (৩৫) না ঙরাং অয়ূক অঙনবদা পুখৎলকখিবনি। মখোয় অনীগী মতুংদা ককচীং চুম্নাং লৈকায়দগী কে সরত (৬০) অমসুং কে জেনিতাসু পুখৎলকখিবগা লোয়ননা ককচীং ফৌসুপাৎ লৈকায়দগীনা কৈসাম নেন্সি (১১), কৈশাম কুমার (৫৫), ময়াংলম্বম বিদ্যা (২০) অমসুং নোংমাইথেম মেনকা (৩২) না ঙসি নুংথিল পুখৎতুনা লায়কন্নখিবনি হায়রি।

হৱাইজার চারুবদগী লায়কন্নরিবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংনা ফোঙদোরকপদা করিগুম্বা মতমদা হৱাইজার থোংলগা চারুবদগী ওবা-ফাইবা তৌরকপা য়াওই অদুবু ফার্মাসিদগী হীদাক খরা লৈরগা চারবা মতুংদা অদুম ফখি। অদুগা হৱাইজার মেৎলগা চারুবা মীওইশিংদি হীদাক চারবসু ওবা-ফাইবা লেপ্লক্তবদগী হোস্পিটালদা পুখৎলকখিবনি হায়রি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লায়কন্নরিবা মীওইশিংগী মনুংদা ফীভম লুবশিংদি য়াওদ্রে হায়রি। অদুম ওইনমক হৱাইজার অদুদা করি করম্বা কেমিকেল য়াওবদগী খুদোংচাদবা থৌদোকশিং অসি ওইহল্লকপনো হায়বদুমদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক ফুদ সেফটি এদমিনষ্ট্রেসন, ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী টিম অমনা হৱাইজারশিং অদুগী সেম্পলশিং লৌখৎতুনা করি করম্বা কেমিকেল য়াওবগে হায়বদু খঙদোক্লবা হোৎনরগনি হায়রি।




HL-B/7906/20/11-19/12


পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।